# অসামদা জপানিজ এন্সেফলাইটিসকী কেস মীপাইনিংঙাই ওইনা হেনগৎলক্লে, মীওই ১১ শিরে

**গুৱাহাটি, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী):** অসামদা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা কাঙনা শন্দোকপা লায়না জপানিজ এন্সেফলাইটিসকী লাইচৎ হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিদা য়ামদ্রবদা মীওই ১১ গী পুন্সি লোমখ্রে। ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা মীওই ২৫৪ লায়না অসিনা নাহনবগা লোয়ননা পেসেন্ট কয়া হৌজিক তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লায়েং চথরি।



অসাম গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট হেল্‌থ দিপার্টমেন্টদা লায়না অসি মখা তানা শন্দোরকপা থিংনবা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং পুন্নমক লৌখৎনবা খঙহনখ্রে। গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল পুন্নমক্তা লায়না অসিনা শোকহল্লবা পেসেন্টশিং লেম্না লায়েংনবা দিরেক্সন পীখ্রে।

মসিগী মথক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা লায়না অসিগী লায়েং চথুরিবা পেসেন্ট খুদিংমক্তা শেলগী মতেং ওইনা লুপা লাক্ষ অমমম পীরি। কুমজা ২০১৮ অমসুং ২০২২ গী মরক্তা অসামদা জপানিজ এন্সেফলাইটিসনা মরম ওইদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৪২২ শিখিবনি। কুমজা ২০১৮ দা লায়না অসিনা মীওই ৯৪ শিহনখিবদা কুমজা ২০১৯ দনা লায়না অসিনা মীওই ১৬১ শিহনখি অমসুং কুমজা ২০২০, ২০২১ অমসুং ২০২২ দা মথংশিংনা মীওই ৫১, ৪০ অমসুং ৯৬ শিহনখি।

হৌখিবা চহী মঙাগী মতমদা ষ্টেট অসিদা জপানিজ এন্সেফলাইটিসকী কেস ২১৪৫ দিটেক্ট তৌখি। ষ্টেট অসিগী খুঙ্গংগী মীয়ামদা হৌজিক হৌজিক লায়না অসিগী হেল্‌থ এৱার্নেস কেম্পেইন চথবগা লোয়ননা ষ্টেট হেল্‌থ দিপার্টমেন্টনা ষ্টেট অসিগী লায়না অসিনা শোকহল্লবা মফমশিংদা ফোগ্গিং ওপরেসনশিং চাওনা চত্থদুনা লাক্লি।

জপানিজ এন্সেফলাইটিস ভাইরসনা এসিয়াদা ভাইরেল এন্সেফলাইটিস থোকহনবা খ্বাইদগী মরু ওইবা মরম ওইরি। সাউথ-ইষ্ট এসিয়া অমসুং ৱেষ্টর্ন পেসিফিক রিজনশিংগী লৈবাক ২৪ না জপানিজ এন্সেফলাইটিস ট্রান্সমিশনগী রিস্ক মায়োক্নরি। লৈবাকশিং অসিগী অপুনবা মীশিং মিলিয়ন অহুম হেল্লি।

এসিয়াগী টেম্পরেট এরিয়া অয়াম্বদা লায়না অসি মরু ওইনা অশাবা মতমদা শন্দোক্লুনা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না অসিগী লাইচৎ কল্লি। লায়না অসিনা শোকহল্লবা পেসেন্টশিংগীদমক এন্টি ভাইরেল ট্রিটমেন্ট লৈতে। হৌজিক লৈরিবা ট্রিটমেন্টদি লাইওংশিং ফহন্নবা সপোর্ট পীবা অমসুং পেসেন্ট অদুবু ষ্টেবল ওইহন্নবা হোৎনবনি। অদুম ওইনমক লায়না অসি হিংনবা সেফ অমসুং ইফেক্তিব ওইবা ভেক্সিনশিং ফঙলে।

# অরুনাচলগী সিএম খন্দুনা মহাক্কী লৈঙাক মনুংদা ফজদবা থৌদোক খরা থোকখি হায়বা য়াজখ্রে

**ইটানগর, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী):** অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা মহাক্না ষ্টেট অদুগী পোলিটিকেল হেদ ওইনা লৈরিঙৈ মনুংদা ষ্টেট পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী পেপর লিক ওইবগী ৱাথোক্লুম্বা ফজদবা থৌদোক খরা নত্তনা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইরবা থৌদোক কয়া লৈখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



কেপিটেল ইটানগরদা লৈবা দেরানাতুং গভর্ণমেন্ট কোলেজদা পাঙথোকখিবা 'আউটষ্টেন্দিং এলুমনাই মিট কম ফেলিসিটেসন প্রোগ্রাম এন্দ ৱার্কশোপ' তা ৱাঙাওলদুনা খন্দুনা হায়খি, মমাঙদা মান্নবা পেপর লিক্কী থৌদোকশিং থোক্লম্বসু য়াই। তৌইগুম্বসুং মহাক্না চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা লৈঙাক পায়রকপা মতমদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি খঙনরকপনি।

অসিগুম্বা ফজদবা ৱাথোক লান্থোকশিং খঙনরকপা মতমদা মদুগীদমক গভর্ণমেন্ট অমসুং চীফ মিনিষ্টরবু মরাল শীবা হায়বসি হৌনশানি। অসুম্না মরাল শীরক্লিবসি ঐহাক্না য়ারবসু গভর্ণমেন্ট অসিনা থৌদোক অদুবু তরাইনা লৌবা লৈতে হায়বসিসু মীপুম খুদিংমক্না খঙজিনগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা, চেন্নবা মীওই পুন্নমক্কী মায়োক্তা ঐখোয়না থম্মোয় শেংনা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা হৌখ্রে অমসুং থিজিনহুমজিনবগী থবকশিং মপুং ফানা চথরি। ঐখোয়না অসিগুম্বা ফজদবা থৌদোকশিং মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা সিষ্টেম অমা পুথোক্লে হায়খি।

খন্দুনা মখা তারদুনা চীফ মিনিষ্টরগী ফম পায়বা হায়বসি তরাইবা থবক নত্তে হায়না ফোঙদোকখি অমসুং অসিগুম্বা ফমগী থবক্তা ক্রিটিসিজম মায়োক্নরকপা হায়বসি হৌনশানি হায়খি।

থৌরম অদুদা দি এন জি সিগী এলম্নি ২০০ হেন্না শরুক য়ারিবদুবু থাগৎলদুনা মহাক্না মখোয়দা টিম অরুনাচলগী থৌদাং মশক খঙবা মেম্বরশিং ওইনা ষ্টেট অদুগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা কন্ত্রিব্যুট তৌননবা আপিল তৌখি।

# পোলিগামি মপুং ফানা থিংবগী মতাংদা এক্সপার্ট পেনেলনা রিপোর্ট সবমিট তৌখ্রে

**গুৱাহাটি, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী):** অসামদা পোলিগামি মপুং ফানা থিংবগী ৱাফম অসি শোয়দনা থবক্তা ওন্থোকপা য়াবগী ফিভম নকশিল্লক্লে। পোলিগামি মপুং ফানা থিংনবগী প্রোস্পেক্টশিং ষ্টদি তৌনবা অসাম গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা এক্সপার্ট কম্মিটিনা মখোয়গী রিপোর্ট সবমিট তৌখ্রে।

এক্সপার্ট কম্মিটি অদুনা মখোয়গী ষ্টদি রিপোর্ট অদু নোংমাইজিং নুমিত্তা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব শর্ম্মাদা পীশিনখি।

অসামদা পোলিগামিগী চৎনবী লোইশিন্নবগী লো অমা ইনেক্ট তৌনবা ষ্টেট লেজিসলেচরগী লেজিসলেটিব কম্পিটেন্স য়েংশিন্নবা শেমখিবা এক্সপার্ট কম্মিটি অদুনা মখোয়গী রিপোর্ট সবমিট তৌরক্লে হায়না সিএম শর্ম্মানা ফোঙদোকখি।

সিএমনা মখা তাখিবদা অসাম অসি কাঙলুপ নত্তগা লাইনিং লাইশোলগী খেন্নবা লৈহন্দনা নুপীশিংবু ইম্পৱার তৌনবগী পোজিটিব ইকো সিষ্টেম অমা শেম্বা ঙম্বগী ফিভমদা নকশিল্লবা ষ্টেট অমা ওইরি।

পনবা য়াবদি, অসামদা পোলিগামি মপুং ফানা থিংনবগী ৱাফমগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মেম্বর মরিগী ওইবা এক্সপার্টশিংগী কম্মিটি অমা শেমখিবনি। এক্সপার্টশিংগী কম্মিটি অদুনা অসামদা ষ্টেট লেজিসলেচরদা পোলিগামি থিংনবগী পৱার মতিক চানা পায়ব্রা নত্তগা হিরম অসিগা মরী লৈননা মখোয়গী করি ফিভম লৈবগে হায়বদু য়েংশিনগনি।

চৈরকসিদা অসাম গভর্ণমেন্টনা লাক্লিবা ষ্টেট অদুগী এসেমব্লি সেসন মনুংদা ষ্টেট অদুদা পোলিগামি থিংনবগী বিল অমা পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি।

চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব শর্ম্মানা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা গভর্ণমেন্টনা লাক্লিবা এসেমব্লি সেসন মনুংদা বিল অদু পুথোকপা ঙমদ্রবদি মদু জনুৱারীদা পাঙথোক্কদৌরিবা হাউসকী সেসনদা পুথোক্কনি।

# মহৈরোয়শিংবু পুথোক পুশিন তৌবগী খুদোংচাবা ফঙহন্দবগী নেহুগী মহৈরোয়শিংনা মেন গেট থিংজিনখ্রে

**শিল্লোং, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী):** একজাম থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিংদা এদমিনিষ্ট্রেসন্না ট্রান্সপোর্টেসনগী খুদোংচাবা পীদববু য়ানিংদবা উত্তুনা মেঘালয়গী শিল্লোংদা লৈবা নোর্থ ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (নেহুসু) গী মেম্বরশিংনা য়ুনিভর্সিটি অদুগী মেন এন্ট্রান্স গেট থিংজিনখ্রে হায়রি।

য়ুনিভর্সিটি অদুগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মেম্বরশিংনা মেন গেট থিংজিনখিবা অদুনা মরম ওইদুনা গাড়ীশিং য়ুনিভর্সিটি অদুদা চঙবা য়াখিদে অমসুং মহৈরোয়শিং অমদি ষ্টাফশিংগী মরক্তা খুদোংচাদবা চাওনা থোকখি।

য়ুনিয়ন্না চথরক্লিবা প্রোটেষ্ট অদুগী পাউখুম ওইনা এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রার (এদমিন ২) না নেহুসুগী প্রসিদেন্টদা লেট্টর অমা থাদুনা ট্রান্সপোর্টেসনগী খুদোংচাবা মতিক চানা ফঙহনখিদবগী ফিভম লাকহনখিবা তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মরক্তা লৈখিবা কম্যুনিকেসন গেপকী ফিভমগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রারনা লাক্লিবা চয়োল অসিদগী চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা চেনবা বস মহৌশাগুম চেনবা হৌরগনি হায়নসু থাজবা পীবগা লোয়ননা মদুগা মরী লৈননা পীফম থোকপা এপ্রুভেল পীরগনি হায়খি।

এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রারনা থাজবা পীরবা মতুংদা নেহুসুগী মেম্বরশিংনা মেন গেট অমুক হাংদোকখি অমসুং একজামশিং সেদ্যুলগী মতুং ইন্না চথবা য়াখি।

# এনিমেল কোরিদোরদা মথৌ তৌদ্রবা সেন্সর কেমেরাশিং খিঞ্জিনবদগী কাজিরঙ্গ ৱাইল্ড লাইফতা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে

**গুৱাহাটি, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী):** অসামগী কাজিরঙ্গ নেসনেল পার্ককী খ্বাইদগী হেন্না সেন্সিটিব ওইরবা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কাঞ্চনজুরি এনিমেল কোরিদোরদা খিল্লিবা সেন্সর কেমেরাশিং মথৌ তৌরক্তবা থা অমা হেঞ্জিল্লক্লে।

সেন্সর কেমেরাশিং অদু নেসনেল গ্রিন ট্রাইবুনেল (এন জি টি) গী দিরেক্সনদা কাজিরঙ্গ নেসনেল পার্ক ফাওরিবা এনএচ ৩৭ দা ইন্সটোল তৌরিবনি। কেমেরাশিং অদু গাড়ীশিংগী স্পিদ মোনিটর তৌদুনা ৱাইল্ডলাইফ চেন্নবা এক্সিদেন্টশিং থোকহন্দনবগী পান্দমগা লোয়ননা কুমজা ২০১৮ দা ইন্সটোল তৌখিবনি।

নম্বর প্লেটশিং রাদরগী মতেংনা ওটোমেটিক ওইনা খঙবা ঙমগদবা কেমেরাশিং অদু গাড়ীশিংগী স্পিদ দিটেক্ট তৌনবগীদমক্তা ইন্সটোল তৌখিবনি। কেমেরাশিং অদু মেন্টেনেন্সকী থবক ৱাৎপনা মরম ওইদুনা হৌখিবা থা খরা অসি মথৌ তৌদনা লাকখি।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা হন্দক্তা কেমেরাশিং অদু শেমজিল্লগা অতৈ এনিমেল কোরিদোরশিংদা থমখি। তৌইগুম্বসুং কাঞ্চনজুরি এনিমেল কোরিদোরদদি অমুক হন্না কেমেরাশিং ইন্সটোল তৌবা লৈত্রি। অসুম্না কাঞ্চনজুরি এনিমেল কোরিদোরদা মথৌ তৌদ্রবা কেমেরাশিং ইন্সটোল তৌবা অসিনা শাশিংগী সেফতিগী মতাংদা নুংনাংনবগী মরম ওইরকখি। কোরিদোর অদু শামুশিং, শামু গণ্ডাশিং অমদি অতৈ শাশিংগী মরু ওইবা মাইগ্রেসন রুট অমনি।



HL-B/8193/1 Aug to 28 Sept

## CROSSWORD-3935



**ACROSS**
1. Scottish dance(4)
3. Strangle(8)
9. Letters sent by plane(7)
10. Tick off(5)
11. Cast, shed(5)
12. I've found it!(6)
14. Nervous, tense(2,4)
16. Rarely(6)
19. Obstacle(6)
21. Statement of belief(5)
24. Senior(5)
25. Waterfall(7)
26. Rebellion(8)
27. Musical rhythm(4)

**DOWN**
1. Response(8)
2. Mistake(5)
4. Aided(6)
5. Cinema award(5)
6. Deceived(7)
7. Garden of Adam and Eve(4)
8. Insect with large rear pincers(6)
13. Powerless(8)
15. South American country(7)
17. Overindulgence(6)
18. Warning light(6)
20. Pub game(5)
22. Wipe out(5)
23. Bill of fare(4)

Solution 3934



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5233

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 3 | | 6 | | | | 2 |
| | | | | 2 | 3 | | 5 | |
| | 7 | | 5 | | | 3 | | |
| | | | | 7 | 5 | 6 | 1 | |
| 3 | | | | | | | | 9 |
| | 1 | 8 | 3 | 9 | | | | |
| | | 7 | | | 8 | | 2 | |
| | 4 | | 2 | 1 | | | | |
| 2 | | | | 5 | | 7 | | |

### Solution-5232

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 9 | 7 | 5 | 6 | 4 | 2 | 8 | 1 |
| 1 | 6 | 2 | 3 | 8 | 7 | 9 | 5 | 4 |
| 5 | 8 | 4 | 2 | 9 | 1 | 3 | 6 | 7 |
| 6 | 1 | 9 | 8 | 4 | 2 | 5 | 7 | 3 |
| 7 | 4 | 8 | 1 | 5 | 3 | 6 | 9 | 2 |
| 2 | 3 | 5 | 9 | 7 | 6 | 4 | 1 | 8 |
| 8 | 5 | 3 | 4 | 1 | 9 | 7 | 2 | 6 |
| 4 | 7 | 1 | 6 | 2 | 5 | 8 | 3 | 9 |
| 9 | 2 | 6 | 7 | 3 | 8 | 1 | 4 | 5 |

## EMPLOYMENT NEWS

### AAI RECRUITMENT 2023 FOR 342 JUNIOR EXECUTIVE, JUNIOR ASSISTANT, SENIOR ASSISTANT

Vacancy Circular No: -
Airports Authority Of India (AAI) Junior Executive, Junior Assistant, Senior Assistant Recruitment 2023
Advertisement for the post of Junior Executive, Junior Assistant, Senior Assistant in the Airports Authority Of India (AAI). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 4th September 2023. Candidates can check the latest Airports Authority Of India (AAI) Recruitment 2023 Junior Executive, Junior Assistant, Senior Assistant Vacancy 2023 details and apply online at the www.aai.aero recruitment 2023 page.
Airports Authority Of India (AAI) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aai.aero. Airports Authority Of India (AAI) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed in Delhi. More details of www.aai.aero recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Junior Executive, Junior Assistant, Senior Assistant
Job Location:
Safdarjung Airport, New Delhi, 110003 Delhi
Number of Vacancy: 342 Posts
Educational Qualification:
Junior Assistant (Office): Candidates should have completed their Graduation.
Senior Assistant (Accounts): Candidates should have completed their Graduation in B.Com with 2 years' relevant experience
Junior Executive (Common Grade): Candidates should have completed their Graduation.
Junior Executive (Finance): B.Com with ICWA/ CA/ MBA with specialization in Finance.
Junior Executive (Fire Services): Bachelor's Degree in Engineering. / Tech. in Fire Engg./ Mechanical Engg./ Automobile Engg.
Junior Executive (Law): Professional Degree in Law (3 years' regular course after graduation OR 5 years' integrated regular course after 10+2) and candidate should be eligible to get himself enrolled as an Advocate in Bar Council of India to do practice in courts in India.
Pay Scale:
INR 31000-140000/- Per Month
Age Limit: Maximum 30 Years.
Application Fee: Application Fee of Rs.1000/- is to be paid by the candidates However, the SC/ST/PWD candidates/ Apprentices who have successfully completed one year of Apprenticeship Training in AAI/ Female candidates are exempted from payment of Fee.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://www.aai.aero/en/careers/recruitment
Important Dates:
Published on: 21st July 2023
Last date for application is: 4th September 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### TPSC RECRUITMENT 2023 FOR 400 JUNIOR ENGINEER (JE)

Vacancy Circular No: -
Tripura Public Service Commission (TPSC) Junior Engineer (JE) Recruitment 2023
Advertisement for the post of Junior Engineer (JE) in the Tripura Public Service Commission (TPSC). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 24th August 2023. Candidates can check the latest Tripura Public Service Commission (TPSC) Recruitment 2023 Junior Engineer (JE) Vacancy 2023 details and apply online at the tpsc.tripura.gov.in recruitment 2023 page.
Tripura Public Service Commission (TPSC) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ tpsc.tripura.gov.in. Tripura Public Service Commission (TPSC) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed in Tripura. More details of tpsc.tripura.gov.in recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Junior Engineer (JE)
Job Location:
Agartala, West Tripura, 799001 Tripura
Last Date: 24th August 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 400 Posts
Educational Qualification:
For Junior Engineer, Grade-V(A) Degree: Candidates Should Possess Degree (Engineering).
Pay Scale:
INR 34700-47600/- Per Month
Age Limit: 18-40 Years.
Application Fee:
For Group–B Gazetted posts (General Candidates): Rs. 350/–
For Group–B Gazetted posts (SC/ ST/ BPL/PHC): Rs. 250/–
For Group–C non–Gazetted Posts (General Candidates): Rs.200/–
For Group–B Gazetted posts (SC/ ST/ BPL/ PHC): Rs. 150/–
Payment Mode: Through Online Mode
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://tpsc.tripura.gov.in/
Important Dates:
Published on: 21st July 2023
Last date for application is: 24th August 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification




